# শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্ট রাজাপক্সানা রেজিগনেসন লেটর সাইন তৌখ্রে পিএম ৱিক্রেমেসিঙ্গে অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌরগনি



কলম্বো, জুলাই ১২ (এজেন্সী): শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্ট গোটবয়া রাজাপক্সানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মহাক্কী রেজিগনেসন লেটর খুৎয়েক পীখ্রে। জুলাই ১৩ হায়না মার্ক তৌবা লেটর অদু পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকরদা শিন্নরবা মতুংদা স্পিকরনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা হৌনবী মতুং ইন্না প্রসিদেন্টনা ফম থাদোকপগী ৱাফম অসি লাউথোকপনি।

দেলি মিররগী রিপোর্টনা হায়, প্রসিদেন্ট রাজাপক্সাগী রেজিগ-নেসন লেটর অদু সাইন তৌরবা মতুংদা সিনিয়র গভর্নমেন্ট ওফিসল অমদা শিন্নখি। ওফিসল অসিনা মদু পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকরদা শিন্নগদৌরিবনি।

লেটর অদুগী মরমদা খঙহল্লবা স্পিকর মহিন্দ য়াপা অবে ৱার্দেনানা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা পব্লিক এনাউন্সমেন্ট অমা পীদুনা গোটবয়া রাজাপক্সাগী প্রসিদেন্সি লোইশিল্লগনি। জুলাই ২০ দা পার্লিয়ামেন্টনা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খন্দ্রিবা ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গে য়ুমশকৈশ নুমিত্তা মতম খরগী ওইনা প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌরগনি।

স্পিকর মহিন্দ য়াপা অবে ৱার্দেনানা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি পার্টিগী লুচিংবশিংনা কন্সটিট্যুসনগী প্রোভিজনশিংগী মতুং ইন্না পার্লিয়ামেন্টদা ভোট লৌনদুনা জুলাই ২০ দা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে। প্রসিদেন্সিগী নোমিনেসনশিং জুলাই ১৯ দা কৌরগনি।

হৌজিক ফাওবদা কনফার্ম তৌরবা কেন্দিদেট অনীদি প্রাইম মিনিষ্টর অমদি ওপোজিসন লিদর সজিদ প্রেমাদাসানি। প্রেমাদাসানা মহাক শ্রী লঙ্কাগী ইকনোমি নৌনা শেমগৎননবা শেম শারে হায়না মরী লৈনবা পুম্নমক্তা ইনফোর্ম তৌখি। থাংজ নুমিত্তা ফম থাদোক্লগনি হায়না লাউথোকখিবা শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্ট রাজাপক্সা অসি ইথৎ লৈবাক অসি থাদোক্লগা অহুমশুবা লৈবাক অমদা লৈরি হায়না মমাঙদা রিপোর্ট তৌখিবনি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা শ্রী লঙ্কাগী পার্লিয়ামেন্ট স্পিকর মহিন্দ য়াপা অবে ৱার্দেননা শেংদোক ৱারোল অমা পীরদুনা রাজাপক্সা লৈবাক অদুদা অদুম লৈরি হায়খি।

প্রসিদেন্টগা নকশিন্নবা ছোর্সশিংনা রাজাপক্সাবু আর্মদ ফোর্সেসনা ঙাক শেল্লি হায়না কনফার্ম তৌখি। জুলাই ৯ দা য়াল্লবা প্রোটেষ্টরশিংনা প্রসিদেন্টগী রেসিদেন্সতা থোমজিল্লমদাইগী মতমদুদা রাজাপক্সাবু ফোর্টতা লৈবা প্রসিদেন্টগী ওফিসল রেসিদেন্সতগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা পুথোকখি অমসুং সিক্যুরিটিগী ওইবা মরমশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা মহাকপু লৈবাক অসিগী ঈশিংগী শরুক্কী মনুং চন্না লৈবা নেভেল বেসেল অমদা ঙাক শেন্দুনা থমখি।

অদুম ওইনমক মহাক্কা নকশিন্নবা ছোর্সশিংনা ফোঙদোরকখিবদা রাজাপক্সা মশামক্লা ঙরাং অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবা মতমদা ট্রাই ফোর্সেসকী কম্যান্দরশিংগা উন্নখি অমসুং মদুগী মতুংদা মহাক লৈবাক অসিদা অদুম লৈখি।

মহাক শ্রী লঙ্কাগী করম্বা মফমদা লৈবগে হায়বা চপ চানা খঙদ্রবসু মহাক চয়োল অসিদা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা ৱাশক লৌনবগী অমদি পার্টি পুম্নমক্কী ওইবা গভর্নমেন্ট অমা শেম্নবগী লম্বী ফাৎলগনি। থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা স্পিকর মহিন্দনা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙবদা প্রসিদেন্ট জুলাই ১৩ দা মফম থাদোক্লগনি হায়না লাউথোকখি।

হৌখিবা থাংজদা ইথৎ লৈবাক অসিগী মীওই লিশিং কয়ানা ফোর্টতা লৈবা প্রসিদেন্টগী য়ুমদা থোমজিনখিবা মতুংদা রাজাপক্সানা ফম থাদোকপগী খোঙথাং অসি লাকপনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসল রেসিদেন্সতা লাকখিবা বিজুএল কয়াদা প্রোটেষ্টরশিংনা কেরোম শান্নবা, সোফাদা হিপচিনবা, পার্ক প্রেমিসিসতা শান্ন খোৎদুনা লৈবা অমসুং দিনরগীদমক চান থক্লবশিং শেম শাবগী শক্তমশিং উবা ফঙখি।

প্রোটেষ্টশিং অদুগী মরক্তা প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেনসু মহাক মফম থাদোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

# অহানবা ৱেষ্ট এসিয়া ক্বাদ সম্মিটতা ফুদ সিক্যুরিটিগী ৱাফম খন্নগনি: য়ুএস



ৱাশিংতন, জুলাই ১২ (এজেন্সী): য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা চয়োল অসিদা ৱেষ্ট এসিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎলিঙৈ মনুংদা ভার্চুএল ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়া, ইজরেল, য়ুএস অমসুং য়ুএই য়াওবা ৱেষ্ট এসিয়াদা মীৎয়েং থম্বা অনৌবা ক্বাদকী অহানবা সম্মিটতা ফুদ সিক্যুরিটিগী ৱাফম অসিনা মরু ওইনা খন্নগনি।

প্রসিদেন্ট বাইদেনগী ৱেষ্ট এসিয়া খোঙচৎ অদু ইজরেলদগী হৌগদৌরিবনি। খোঙচৎ অদু ইজরেলদগী হৌরবা মতুং বাইদেননা মথংগী খোঙদাফম ওইনা মহাক সাউদি অরাবিয়াদা থুংগনি।

ৱেষ্ট এসিয়া খোঙচৎকী মরু ওইবা মফম অমা ওইরিবা সাউদি অরাবিয়াদা মহাক্লা ক্রাউন্ট প্রিন্স মোহম্মদ বিন সলমানগা মীফম অমা পাঙথোক্কনি। মীফম অসি মীপুম খুদিংমক্লা মীৎয়েং চঙগদৌরিবা মীফম অমা ওইগদৌরিবনি।

পনবা য়াবদি সাউদি অরাবিয়াগী ক্রাউন্ট প্রিন্স অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়ুএসতা লৈবা সাউদি দিসিদেন্ট অমা ওইরিবা জামল কাসোজিবু হাৎননবা ওর্দর তৌখি হায়না মরাল শীদুনা লাক্লিবনি।

য়ুএসতা লৈখিবা সাউদি দিসিদেন্ট অসি ৱাশিংতন পোষ্টকী কলমনিষ্ট অমা ওইনা থবক তৌখি। অনৌবা ক্বাদ অদু আই টু য়ু টু হায়না মমিং থোল্লি। মসিদা য়াওরিবা আই অনী অসিনা ইন্দিয়া অমসুং ইজরেলবু তাক্লিবনি অমসুং য়ু অনীনা য়ুএস অমসুং য়ুএইবু তাক্লিবনি।

অনৌবা ক্বাদ অসি কুমজা ২০২১ গী ওক্তোবরদা লোঞ্চ তৌখি। মসিগী দিফাইন পোর্টফোলিওসু ৱেষ্ট এসিয়া অমসুং এসিয়াদা শেল থুম অমদি পোলিটিকেল কো ওপরেসন হেনগৎহন্দুনা চাওথোক্লগনি।

প্রসিদেন্ট বাইদেননা য়ুমশকৈশ নুমিত্তগী হৌগদৌরিবা নুমিৎ মরিনিগী ওইবা ইজরেলগী খোঙচৎ মনুংদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর য়েয়র লাপিদ অমসুং য়ুএইগী প্রসিদেন্ট মোহম্মদ বিন জায়দকা ভার্চুএল ওইনা সম্মিট পাঙথোক্কনি। ৱেষ্ট এসিয়া ক্বাদ অসি হন্দক চহী খরা অসিদা য়ুএসনা মেম্বর অমা ওইরগা লোঞ্চ তৌখিবা লৈবাক মরিগী ওইবা অহুমশুবা গ্রুপনি।

অতৈ গ্রুপশিং অদুদি য়ুএসনা ইন্দিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং জপানগা পুল্লগা শেম্বা ক্বাদ অমসুং কুমজা ২০০৪ দা ইন্দিয়ন ওসিনদা শাথিরবা সুনামি থোকখিবা মতুংদা লৈবাকশিং অসিগী মরক্তা কো ওপরেসন পীনবা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা ক্বাদ অসিসু চাওখৎলকখি। অতোপ্পা ক্বাদনা য়ুএসনা অফঘানিষ্টান, পাকিষ্টান অমসুং য়ুজবেকিষ্টানগা পুল্লগা শেমখিবনি।

# ইজরেলদা ব্লোক অমত্তনা গভর্নমেন্ট শেম্বা য়াগদবা সিট মতিক চানা ফঙদ্রে



জেরুসালেম, জুলাই ১২ (এজেন্সী): করিগুম্বা ইজরেলদা মীখল পাঙথোল্লম্বা থোল্লবদি গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বা ঙমগদবা মওংদা লৈবাক অসিগী পোলিটিকেল ব্লোক অমত্তনা সিট ১২০ গী পার্লিয়ামেন্টতা মেজোরিটি ফঙবা ঙমদ্রে হায়বসি ষ্টেট মিদিয়া চেনেলনা ফোঙবা খ্বাইদগী নৌনা পোলনা উৎখ্রে।

পোল অদুগী মতুং ইন্না হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেতনয়াহুনা লুচিংবা লিকুট পার্টিনা পার্লিয়ামেন্টতা সিট ৩৪ ফাওবা ফংবা ঙম্বগী ফিভম লৈদুনা মীয়াম্না খ্বাইদগী য়াবা পার্টি ওইরি। পার্টি অসিগী মতুংদা হৌজিক লৈরিবা ইন্টরিম প্রাইম মিনিষ্টর য়েয়র লাপিদনা লুচিংবা য়েস অটিটনা সিট ২৩ ফাওবা ফঙবা ঙম্বগী ফিভম লৈদুনা মীয়াম্না খ্বাইদগী য়াবা অনীশুবা পার্টি ওইরি।

সেন্ট্রিস দিফেন্স মিনিষ্টর বেনিগাঞ্জ অমসুং রাইট ৱিং জষ্টিস মিনিষ্টর গিদিনওন্সারনা লুচিংবা নৌনা শেম্বা ব্লোক ব্লু এন্দ হ্বাইট- ডন্য হোকনা সিট ১৪ ফঙবা ঙমগনি অমসুং রিলিজস জিওনিষ্ট পার্টিনা সিট ১০ ফঙগনি হায়বসি পোল অদুনা উৎখি।

লৈবাক অসিগী আরব মীওইশিংবু রিপ্রজেন্ট তৌরিবা পার্টি অনী জেইন্ট লিষ্ট অমসুং রামনা মথংশিংনা সিট তরুক অমসুং সিট মরি ফঙগনি হায়বসিসু পোল অদুদা উৎখি।

পোল অদুগী মতুং ইন্না হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নবতালি বেনেটনা লাক্লিবা মীখলদা মহাক মীরেপ ওইররোই হায়না লাউথোকখিবনা মরম ওইদুনা মহাক্কী য়ামিনা পার্টি পার্লিয়ামেন্টতা চঙবা য়ানবগী থ্রেসোল পাস তৌবা ঙম্লরোই হায়রি।

বেনেটনা লুচিংবা কোলিসন গভর্নমেন্ট পার্লিয়ামেন্টদা মেজোরিটি লৈরকখিদবগা লোয়ননা হৌখিবা জুনগী অথেংবা শরুক্তা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্ট নত্তগা নেসেটতা ভোট লৌনবদা মেম্বরশিংনা পার্লিয়ামেন্ট মুখৎপদা য়ান্নখিবনি। মসিগা লোয়ননা ইজরেলদা চহী মরি ফাদবা মতমগী মনুংদা মঙাশুবা মীখল পাঙথোকপগী ফিভম লাকহনখি। মীখল অদু লাক্লিবা নবেম্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

# ম্যান্মারদা ওমিক্রোন বিএ.৪, বিএ.৫ সব ভেরিয়েন্টগী কেসশিং থেংনরে




য়াঙ্গোন, জুলাই ১২ (এজেন্সী): ম্যান্মারগী হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অসিদা ওমিক্রোন বিএ.৪ অমসুং বিএ.৫ সব ভেরিয়েন্টশিংগী অহানবা কেস তরুক থেংনরে হায়বসি কনফার্ম তৌখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা মিনিষ্ট্রি অসিনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না সার্স-কোভি-২ ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোন বিএ.৪ অসি সেম্পল অমদা অমসুং বিএ.৫ অসিনা সেম্পল মঙাদা থেংনখি।

সেম্পলশিং অদু মপানদগী লাকপা মীওইশিংদগী লৌবা ঙাক্তনি। কোভিদ ১৯ ইনফেক্সন লৈরবা মপানদগী লাকপা মীওই ১৬ তি লেবোরেটরি সেম্পলশিং জুন ৩০ দা দিপার্টমেন্ট ওফ মেদিকেল রিছর্সতা লৌদুনা চাংয়েং তৌখি।

মখোয় লোইনমক ম্যান্মারগী সিটিজনশিংনি অমসুং ফিভম ফনা লৈ হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী ফিগর মতুং ইন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ম্যান্মারদা অনৌবা কোভিদ ১৯ কেস ১৫ থেংনদুনা লৈবাক অসিগী অপুনবা কেস মশিং ৬১৩,৭৫১ য়ৌরে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মী শিবগী রিপোর্ট তি লৈখিদে। হৌজিক ফাওবদা কোভিদ লাইচৎনা মরম ওইদুনা ম্যান্মারদা শিরিবা মী মশিং পুন্না ১৯,৪৩৪ শুরে। নিংথৌকাবা নুমিত্তা পেসেন্ট তরা ইনৌ নৌনা ফগৎলকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী কোভিদ ১৯ দগী ফরবা পেসেন্ট মশিং পুন্না ৫৯২,৬৫৫ শুরে।

# য়ুকেগী অনৌবা পিএম সেপ্টেম্বর ৫ দা লাউথোক্লগনি

লন্দন, জুলাই ১২ (এজেন্সী): হৌজিক লৈরিবা য়ুকেগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনগী মহুৎ শিনগদবা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর অদু সেপ্টেম্বর মঙাদা লাউথোক্লগনি হায়না কঞ্জার্বেটিব পার্টিগী বেক বেন্স ১৯২২ কম্মিটিগী চিয়ারমেন গ্রাহম ব্রাদিনা ফোঙদোকখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা ৱাফম অসি লাউথোকপগা লোয়ননা ব্রাদিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি টৌরি লিদরশিপ কন্টেষ্ট চল্লাইরিবা ১৯২২ গী কম্মিটি অদুনা কেন্দিদেটশিং অদু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা নোমিনেসন ওপন অমসুং ক্লোজ তৌবা মতমদা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর (এমপি ২০) না শৌগৎপা ওইগদবনি হায়না ৱারেপ লৌরে। থ্রেসোল অসি পার্টিগী মহৌশাদগী চৎনরকপা রুলশিংদা এমপি ৮ না শৌগৎপা মথৌ তাই হায়না লেপখিবা অদুদগীদি হেল্লিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, মদুদি টৌরি এমপিশিংগী মরক্তা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা অহানবা রাউন্দগী ভোটিং পাঙথোক্কনি। শগোলশেল নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা ভোটিং রাউন্দদা চঙবা য়ানবগীদমক কন্টেন্দরশিংনা ভোট ৩০ ফঙবা মথৌ তাই। কন্টেন্দরশিংগী মশিং জুলাই ২১ দা সম্মর রিসেসকীদমক এমপিশিংনা থবক লেপত্রিঙৈগী মমাঙদা অনীখক্তমক ওইহনগদৌরিবনি।

# পাকিষ্টানগী করাচিদা নোং কন্না চুবদগী মীওই ২০ শিরে



ইস্লামাবাদ, জুলাই ১২ (এজেন্সী): হৌখিবা চয়োলদগী কুমগী নোং কন্না চুবা হৌখিবদগী পাকিষ্টানগী খাথংবা পোর্ট সিটি করাচিদা শিখিবা মী মশিং ২০ শুখ্রে হায়না রেস্ক্যু ৱার্করশিং অমসুং লোকেল মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবদা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা সিটি অসিদা নোংগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই তরুক শিখি। তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংদা মীওই অহুম মৈনা চিংদুনা শিখি। মখোয়গী মনুংদা মোটোর সাইকল তোংবা মীওই অনী য়াওখি।

রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা কার অমা ঈশিংগী অকনবা ঈরৈনা দ্রেনেজ কেনেল অমদা চিংশিনখিবদগী মদুদা তোংলিবা মী অনী ঈরাক্লদুনা শিখি। অতোপ্পা থৌদোক অমদনা অঙাং অমা ঈরাক্লদুনা শিখি। হৌজিক ফাওবা অশিবা হকচাংশিং ফঙবা ঙমদ্রি।

খা থংবা সিন্দ প্রোভিন্সকী কেপিটেল ওইবগা লোয়ননা পাকিষ্টানগী ফাইনান্সিএল হবসু ওইরিবা করাচি অসি হৌজিক নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা শাথিরবা ঈশিং ঈচাওগী ফিভম অমা মায়োক্লরিবনি। নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা চুবা হৌখিবা নোং নিংথৌকাবগী নুংথিল অথেংবা ফাওবা লেপখিদে। সিটি অসিগী মফম কয়া ঈশিং থুমখি অমসুং মরু ওইবা লম্বীশিংসু ঈশিংনা থুমজিনখি।

করাচিগী চীফ মিটিওরোলোজিষ্ট সর্দার সর্ফরাজনা এজেন্সিনা হায়খি, মদুদি সিটি অদুদা ইন্সটোল তৌরিবা রেন গেজ ১৮ দা চুরিবা নোংজুগী চাং অদু হন্দক্কী কুমগী নোং অসিদা এমএম ৫২ দগী এমএম ৩৪২.৪ ফাওবা ওইদুনা খেন্নবা উখি। চাংচৎতা চুরিবা নোংগী চাং অসি এমএম ১১৫.৬ নি।

ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইদুনা গ্রেটর সাউথ এসিয়ন রিজনদা মহৌশাগী ওইবা নোং চীংগী পের্টনশিংদা অকায়বা চাওনা লাকখিবগা লোয়ননা মহৌশাগী চাংদগী হেন্না নোং চুদুনা মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাও থোকহনখি অমসুং মফম খরদনা নোং লিক্লা চুবদগী ঈকংগী ফিভম লাকখি।

সর্ফরাজনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা হৌজিক মফম কয়াদা নোং চীংগী ফিভমশিং ফোরকাষ্ট তৌবা অমদি প্রিদিক্সন পীবা হায়বসি য়াম্না লুবা থবক অমা ওইরক্লে।

IN THE COURT OF THE CIVIL JUDGE JUNIOUR DIVISION, IMPHAL EAST, MANIPUR

**ORIGINAL SUIT NO. 16 OF 2022**

Heikham (Ningol) Thingujam (Ongbi) Radha Devi & 19 others. .. PLAINTIFFS.

-Versus-

Takhelchangbam (0) Rasheswori Devi & 47 others. ... DEFENDANTS.

SUMMON

To
1. Pangambam (ningol) Laishram (ongbi) Abem alias Sonia Devi, aged about 36 years, W/O L. Rakhesh Singh of Yourabung Khunou, P.O. Lamlai, & P.S. Sawombung, Imphal East District, Manipur, Pin No.795010.
2. Sanasam (ningol) Amushana alias Mandakini Devi, aged about 34 years, W/O Chingakham Gobin Singh of Ngairangbam Makha Leikai, P.O. & P.S. Lamsang, Imphal West District, Manipur, Pin No. 795113.
3. Heikham Thambal Devi, aged about 68 years, D/O (late) H. Mohori Singh of Sagolband Moirang Hanuba Leirak, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur, Pin No. 795001
4. Heikham (ongbi) Shomola Devi, aged about 58 years, W/O (late) H. Tomba Singh of Nambol Oinam Bazar, P.O. & P.S. Nambol, Bishnupur District, Manipur, Pin No. 795134.
5. Heikham Tomba Singh, aged about 57 years, S/O (late) H. Yaima Singh of Lilong Haoreibi, P.O. & P.S. Wangoi, Imphal West District.

WHEREAS the above named Plaintiffs has instituted a Declaratory suit with consequential relief(s) against you, you are hereby summoned to appear in this Court in person or by pleader duly instructed, and able to answer all material questions relating to the suit or who shall be accompanied by some person able to answer all such questions, on the 20th day of July, 2022 at 10.30 a.m., to answer the claim, and further you are hereby directed to file on that day a written statement of your defence and to produce on the said day all documents in your possession or power upon which you base your defence or claim for set-off, or counter-claim, and where you rely on any other document whether in your possession or power or not, as evidence in support of your defence or claim for set-off or counter-claim you shall enter such documents in a list to be annexed to the written statement.

Take notice that, in default of your appearance on the day before mentioned, the suit will be heard and determined in your absence

Given under my hand and the seal of the Court, this 12th day of July, 2022.

**Sd/- Kimneingah Kipgen**
**i/c Civil Judge, Jr. Divn. Imphal East.**
HL-P/3406/13,14

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR : NAMBOL

**Ref :- Mutation Case No. 556/SDC/NBL of 2022**

Huidrom Sanatomba Singh, S/o (L) H. Shyamjai Singh of Langpok Makha Leikai - Petitioner

-Vrs-

(Late) Huidrom Shyamjai Singh, S/o (Late) H. Ibomcha Singh of Langpok - O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Dtd. 12/07/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 15-Thiyam Patta No. 15/11 (O) 15/257 (N) Dag No. 368 Area 1.26 acre Class Anganphou হায়রিবা Loufam অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা Loufam অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীত্তগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথগ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Nambol
HL-P/3412/13

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR : NAMBOL

**Ref :- Mutation Case No. 555/SDC/NBL of 2022**

1) Nongmaithem Maipak Singh, S/o (L) N. Ibotombi Singh of Nambol Khathong Awang
2) Nongmaithem Dilip Singh, S/o -Do- of -Do-
3) Nongmaithem Premjit Meitei, S/o -Do- of -Do-
4) Nongmaithem Prava Devi, W/o N. Herojit Meitei of -Do- of -Do- - Petitioner

-Vrs-

(Late) Nongmaithem Ibotombi Singh, S/o (L) Chaoyaima Singh of Khathong - O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Dtd. 12/07/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 14-Khathong (1) Patta No. 26 (O) 71 (N) Dag No. 172 Area 0.27 acre Class Ingkhol, (2) Patta No. .... Dag No. 177 Area 0.08 acre Class Phourel,(3) Patta No. ..... Dag No. 229 Area 0.56 acre Class Anganphou হায়রিবা Ingkhol amasung Loufamsing অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা Ingkhol amasung Loufamsing অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীত্তগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথগ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Nambol
HL-P/3412/13

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST

**Ref. Mutation Case No. 140 of 2022**

1) Thoudam Jibanlata Devi, W/o (L) Th. Brajagopal Singh of Lilong Chajing Mamang Leikai
2) Thoudam Ranibala Devi, W/o Yaithengbam Umachand Meitei of Mongshangei School Leirak
3) Kendrajit Thoudam, S/o (L) Th. Brajagopal Singh of Lilong Chajing Mamang Leikai
4) Bobina Thoudam, D/o (L) Th. Brajagopal Singh of Lilong Chajing Mamang Leikai
5) Thoudam Lakshmi, D/o (L) Th. Brajagopal Singh of Lilong Chajing Mamang Leikai
6) Ebig Thounaojam, S/o (L) Th. Brajagopal Singh of Lilong Chajing Mamang Leikai -Petitioners.

-Vs-

Thoudam Brajagopal Singh, S/o (L) Th. Dhano Singh of Mairemkhong – Opposite Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Lilong Chajing Dated : 12th June, 2022

Under Section 46(3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি মৃত্ ওইখ্রবা পাট্টাদার থৌদাম ব্রজগোপাল সিংহ্ পীং মৃ: ধনো সিংহ লৈফম মাইরেনখোংগী মিংদা পানবা খুন নং. ৯৮-চজিং পাট্টা নং ১২২ অরিবা, ২৭৮ অনৌবা সিএস দাগ নং. ১১৫০ গী এরিয়া .২৮৬৪২ একর চাওবা ইঙ্খোল/ফৌরেল পেটিস্নর/পেটিস্নরসশিংনা মশাগী/মখোয়গী মিংদা নামা পানবীয়ু/ওনশিনবীয়ু হায়না উক্ত কোর্ট এসদিসি-লিলোং চজিং, ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ তরেৎ (৭) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাকপীদুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong Chajing, Imphal West
HL-P/3310/13

BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION

Imphal, the 11th July, 2022

No. G/187/RTI/HSLCE_2022/694: In supersession of the notification no. Ex/58 dated 8th July, 2022 issued in this regard, it is hereby notified that :-

1. Candidates can apply for Re-scrutiny of answer scripts of High School Leaving Certificate Examination, 2022 on or before 22nd July, 2022.
2. Only those candidates who have applied for re-scrutiny of answer scripts can apply for obtaining only colour photocopies of answer scripts on or before 3rd August, 2022. An amount of Rs. 5/- per page will be charged for taking colour photocopies of the answer scripts.

**Sd/- Dr. S. Mangijao Singh**
**Secretary**
HL-P/3410/13

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION

Imphal, the 6th July, 2022

**No.3(I)/15/2008-HSC(Vol.-VI)/7480:** It is hereby, notified for information to all concerned that students who have passed the HSLC/Class-XI or equivalent examination from recognized Boards/Councils/Universities other than Board of Secondary Education, Manipur should apply for obtaining the Eligibility permission from the Council Office prior to admission in Class-XI / XII in the institution under the Council of Hr. Sec. Edn., Manipur.

The prescribed application form can be obtained from the office of the undersigned on payment of the following fees from 9:30a.m. to 2:00p.m. on all working days with effect from 11/07/2022 to 14/09/2022.

1. Application Form Fee - Rs.100/-
2. Eligibility Certificate fee - Rs.1,500/-
3. Verification fee - Rs.1,000/-

The last date of submission of duly filled in application form along with necessary fees and documents at the office of the undersigned is 15/09/2022.

**N.B.:** ***The prescribed application form can be downloaded from the website – http://cohsem.nic.in***

**Sd/- CH. BIREN SINGH**
**Secretary,**
**Council of Hr. Sec. Edn., Manipur.**
HL-P/7739/13